থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

লাস ভেগাসকী থৌদোক ইন্দিয়াদদি থোক্লোইদ্রা?

অমেরিকা (য়ুনাইতেদ স্তেতস ওফ অমেরিকা) হায়বা লমদম অসি, হৌজিকমক্কী ওইনদি মালেমসিদা লৈরিবা লৈপাক খুদিংমক্তা খ্বাইদগীকল্লক্লফম ওইবা, খ্বাইদই হেন্না শক্তি লৈবা লৈপাক অমনি। অকনবা, শক্তি লৈবা হায়বসিদা ইনাকখুনবা হায়বা ৱাহে অদুসু সুপচীন্দুনা য়াওখ্রবনি। অনৌবা, চাউখৎপই লমজেল হায়বসি - ইকনমিক সুপর পাৱর ওইননবা হোৎনবগী লমজেল অদুবুনি।চহী তরামরী-মঙাসিদা হোংলক্লিবা ইকনমিক বিহেভিয়র অসি য়েংলগা ইকনমিক এনালিষ্টশিংনা হায় - হৌজিক চেল্লিবা খোঙজেল অসি য়েংলগদি ২০৫০ য়ৌরকপদা চিনানা মালেমগী ওইনা খ্বাইদই কনবা ইকনমিক সুপর পাৱর ওইরনি, য়ু এস এনা অনীশুবদা, ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লৈগনি। ইকনমিক প্লান্নিং চুল্লমগদি ইন্দিয়ানা অনীশুবা মফমদা লৈরবসু য়াই।

করম করম্বা পেরামিতরদা য়েংলগা পীরক্লিবা ষ্টেটমেন্ট অমনো? পীল্লবা কাখল অসিদা মখা তানা নৈনজররোই। পাউদমজরিবা ইশাসু ইকনমিষ্ট অমা নৎচদে। হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী হিষ্টরিদা অহানবা মফম কল্লম্বা ইন্দিয়ানা মোর্দন সিভিলাইজেসনগী লমজেলদা য়াওবা ঙমদ্রিবা করিগী? কুপ্পা নৈনরুদ্রবসু, ৱাহৈপরেং অমনা ফোংদোকপা য়াই - মতমগী য়াওলগা লোয়ননা হোংলক্লিবা অওনবদুগা য়াওনম্নিনবা ঙমদবা। অমেরিকান অমগী ৱাখলগা ইন্দিয়ন অমগী ৱাখলগা খেন্নবা থাক অদুনি - অমেরিকা অমদি ইন্দিয়াগগী খেন্নবা।

অপুনবা অমেরিকা (য়ু এস এ) গা অপুনবা রুসিয়া অমা (য়ু এস এস আর) গা অনীগী মরক্তা উংখৎনবা (কোল্ড ৱার) অদু লোইখিঙৈ অপুনবা রুসিয়া অদুনা মচেৎ মচেৎ তাখিঙৈ, খুৎলায় অমদি শক্তিগী লমজেলদা অমেরিকা মথন্তনা খুরুপ থাদুনা চেনবগুম্না চেল্লকখি। ২০০১, সেপ্তেম্বর ১১, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা, মালেমগী লল্লোন-ঈতিক তৌবশিংবু কন্ত্রোল তৌরিবা, 'ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্তর' গী বিল্ডিং অনী থুগায়দুনা, ইস্লামিক মিলিতেন্ত গ্রুপ 'অল-কইদা' না থেক্কৎলকখিবা অমেরিকাগী মঙক লূকথহনখি। রুসিয়াগী মায়োক্তা লান্থেংননবা শেমগৎলুবা 'ওসামা বিন লাদেন', শেম্বীবা মপূ অমেরিকাগী তমথিবা য়েক্লবা ওইরকখি। 'অমেরিকাবু অসুম্না সীংনগনু' - অমেরিকান প্রসিদেন্তনা পীখিবা ৱার্নিংদুগী চহী তরাগী মতুং, পাকিস্তান আর্মি হেদক্বার্টর মনাক্তা, অল্লাহমক্লা ঙাক শেনবগুম লৈরম্বা অবেবাদবাত সহরদা 'বিন-লাদেন'বু হাৎতুনা পুখ্রগা, কদায়দনো মফম খঙদবা ঈপাক (সমুদ্র) অমগী ঈরোন্নুংদা লৈরোন চনখি। অসুম্না হৌখি - অমেরিকাগী মথক্তা লান্দাবা গল্ফ (মুসলিম) কন্ত্রিশিংগী লোইবা নাইদ্রবা 'হোলি ৱার'/জিহাদ। অল্লাহগী লান্মীশিংনি হায়জবা মখোয়গা লম্বা পানবা, অতোপ্পা ঈশ্বর অমনা থাদোরকপা লান্মী তেঙ্গোল অমা ঙাইখিগদ্রা? লাইরৈবাক্তা লাই ময়াম ৱাতান্ন-রমগদরা! চুম্না খঙনিংলকপনি।

অমেরিকা অমসুং মুসলিম! পূনবা, তিন্নবা য়াররোইদবা অমগুম উই - মালেম পুম্বই মীয়াম্না। মুসলমান অমগী মীং নম্বা পাসপোর্ত অমা পায়রল্লবা, নুপা অদু অমেরিকাগীএয়রপোর্ততা চিংন'-মীৎয়েংনা য়েংই, মখল কয়াগী হরাসমেন্ত-পী হায়বা থৌদোক খরদা য়ূন্সফম ওইরগা 'মাই নেম ইজ খান' হায়বা বোল্লিৱুদকী ফিল্ম অমা মরু হুনখিবনি। মুসলমানগী মীংদা এলর্জিক ওইরবা, হৈনদ্রবা অমেরিকাননি হায়বা খঙদুনা, অল-কইদাগী অনৌবা শায়োন, অল-কইদাদগী কয়ারক হেন্না তমথিবা আই এস (ইস্লামিক ষ্টেট) হায়বা মিলিতেন্ত গ্রুপ অমনা অমেরিকানশিংদা অমেরিকাগী মনুংদা এত্তেক তৌনবা অতোপ্পা মোদেল অমা হোংলকই - মুসলমান নত্তবা ওরিজিনেল অমেরিকানশিংবু, অমরিকান মীংদু হোংদনা, ইসলামদা লাইমিঙ লৌরগা অমেরিকানশিংদা এত্তেক তৌহনবা। অনৌবা দিজাইন অসিদা চথবা অহানবা তেরোরিস্ত এত্তেক অদুনা অমেরিকানশিংবু ঙকহনখি। ওক্তোবর ১, ২০১৭ কী অহিং - নেভাদা ষ্টেটকী মরুওইবা সহর 'লাস ভেগাস' (প্রোফেসনেল বোক্সর- শিংগীদমক মমীং চৎপা) - অমেরিকাগী ইতিহাসতা খ্বাইদই অকি তুজুং পোকপা অহিং অমা ওইরকখি। 'রুট ৯১ হার্ভেষ্ট' ম্যুজিক ফেষ্টিবেল হায়না খঙনবা ঈশৈ-নোংমাইগী কূমহৈ অমা পাঙথোক্লিঙৈ, মনাক্তা লৈবা হোতেল 'মন্দলে বে' গী ৩২ শুবা মথোলগী কা অমদগী, মশাগী চহী ৬৪ শুরবা 'ষ্টেফেন পাদ্দোক' কৌবা নুপা অমনা ঈশৈ য়েংলিবা/তারিবা য়াল্লবা মীয়াম অদুদা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মরাল লৈতবা মীওই ৫৯ গী পুন্সি মাঙহল্লগা ৫০০ হেন্না অশোক-অপন নংহল্লমখি। মীনিট ১০ রোম কাপখিবা নোংমৈ মখোলদুগী মতুংদা, মরাল লৈরবা মীশক্তু, হোতেল কা মনুংদুদা মশা মথন্তা কাপশিঞ্জবা নোংমৈ মরুনা, শিজরগা লৈরমখি। মাগী হোতেল কাদুগী থোঙদুদা ইরগা লৈরমখি - 'দু নোত দিস্তর্ব'। স্তেফেন পাদ্দোক- অমেরিকান পুলিস-ইন্তিলিজেন্সকী চিংননিংঙাই ওইবা মীশিংগী শাংলবা লিষ্ট অদুদা য়াওরমদে, এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ/ওর্গনাইজেসন অমগা মরী লৈনরম্বই রেকোর্দ লৈরমদে। কোন্না খঙলকপনি -স্তেফেন পাদ্দোক, 'মন্দলে বে' হোতেলদুদা সেপ্তেম্বর ২৫ দা লাকখিবনি, অফবা মখলগী নোংমৈ কুনমঙা, মফম চানা শেম-শাদুনা থম্লম্মী, মশীং থীঙমদ্রবা নোংমৈ মরু, বোম অমদি নোংমৈ মেগাজিন লৈরম্মী, মহাক্না শীজিন্নরম্বা নোংমৈদু সেকেন্দ ১০ দা মরূ ৯০ কাপ্পা য়াবা নোংমৈনি - অসিনচিংবা। মখোয়গী মীসন মায় পাক্লা মতুংদা 'ইস্লামিক ষ্টেট' মিলিতেন্তশিংনা লাউথোরকই - 'মিষ্টর ষ্টেফেন, থা খরগী মমাঙদা খৃষ্টিয়ানিতি থাদোক্লগা ইস্লাম ধর্ম্মদা ওনখ্রবনি।' স্তেফেন পাদ্দোক নত্তবা মুসলিম অমগী মীংদা হোতেলদুদা চেক-ইন তৌরল্লবা, মহাক্না নুমিৎ তরুক্লিদুদা পুসিনখিবা সুত-কেস তরাদু চিংন-মীৎয়েংনা য়েংলমগনি, পুলিসতা পাউ পীরমগনি, থৌদোক্তুসু থোক্লমলোই। অতোপ্পা লাইনিং থাজবা, মরাল লৈতবা মীওই হাৎলগা ইস্লামিক ষ্টেট শেম্লীংবা কাঙবুনা হরাওরিবসি করিগীনো? লান্বা ফঙদে।

জাকির নাইক'কুম্বা, সয়িদ অলি গিলানিগুম্বনা নীংতম্না তৌনিংবা তৌরিবা ইন্দিয়ানি। ইম্ফালদা তার্গেৎ তৌরম্বা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিতেন্ত ফাখিবই থৌদোক লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াদা/মণিপুরদা লাস ভেগাস অমা ওইরক্লোইহায়বই গরেন্তি লৈবরা?

লৌশিং পুক্কে

ওলিভ ওইল ঙৌরগা চাবা তারবদি মনা-মশিংদা য়াওবা কেমিকেল কম্পাউন্দশিং হান্নদগী ফিভম ফগৎলকই

মনা-মশিং চাবা মতমদা এক্সট্রা ভর্জিন ওলিভ ওইল (ঈ ভি ও ও) দা ঙৌরগা নৎত্রগনা তাউরগা চাবা তারবদি মনা-মশিংদা য়াওবা কেমিকেল কম্পাউন্দশিং হান্নদগী ফীভম ফগৎলকই।

স্পেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রেনাদাগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, আলু, মাইরেন, খামেন অশিনবা অমদি খামেননচিংবা মনা-মশিং পুম্নমক রিফাইন তৌদ্রিবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা ওলিভ ওইলদা ঙৌবা তারবদি 'ফেনোশিক' কৌবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অমগী ফীভম ফগৎলকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রেনাদাগী প্রোফেসার কৃষ্টিনা সেমানিগো সঞ্চেজনা হায়খি, ইচম চম্না ফুৎপা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা অচাথাউদা ঙৌববুদি এক্সট্রা ভর্জিন ওলিভ ওইলদা ঙৌবনা মনা-মশিংদা য়াওবা ফেনোলিক কম্পাউন্দ হেনগৎহল্লি। মতৌ অসুম্না মনা-মশিংদা য়াওবা এন্টিওক্সিদেন্টকী মগুন হেনগৎহনবা মরম্না কেন্সর, দাইবেটিস অমসুং মেক্যুলর দিজেনরেসননচিংবা ক্রোনিক দিজিজ কয়া ঙাকথোকপা ঙম্মী। মসিদসু নৎতনা ওলিভ ওইলদগী মনা-মশিংদা ফেনোল ট্রান্সফর তৌরকপা মরম্না চাবদা হকচাং ফহল্লি। মতৌ অসুম্না ওলিভ ওইলদা ঙৌরগা চাবা মনা-মশিং পুম্নমক হকচাংদা কান্নৈ। ফেনোল হায়রিবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অসি মনা-মশিংদা য়াওদে। অদুবু ওলিভ ওইলদা ঙৌবা তারবদি কেমিকেল কম্পাউন্দ মখল অসি মনা-মশিংদা ট্রান্সফর তৌরকপা মরম্না চাবদা হকচাং ফহল্লি।

রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা আলু, মাইরেন, খামেন অশিনবা অমসুং খামেন গ্রাম ১২০ অচম্বা ঈশিংদা ফুৎলগা য়েংখি। খরা অমনা ওলিভ ওইলদা ঙৌরম্মী। অতোপ্পা অচাথাউ মখল অমদসু ঙৌরগা য়েংলম্মী। চাংদম্ন দুনা য়েংবা মতমদদি ওলিভ ওইলদা ঙৌবা মনা-মশিংদনা ফেনোলগী চাং খ্বাইদগী য়াম্না য়াওরম্বা থেংনখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ফুদ কেমিষ্ট্রি মেগজিনদা হন্দক ফোঙলকখিবনি। মোনো অন্সেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ য়াওবা ওলিভ ওইলবু মরুওইবা মেদিটরেনিয়ন দাইট ওইনা লৌনৈ। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা মেদিটরিয়নগী মীওইশিং হার্টকী লায়না নাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমসুং ষ্ট্রোক তৌবগী চাং নেম্না লৈ। পুন্সি শাংবসু হেল্লি।

ফেট ওইজরবসু ওলিভ ওইলদা য়াওবা মোনো অন্সেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ (এম য়ু এফ এ) দি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। ওলিভ ট্রিদগী শুংবা ওলিভ ওইলবু কোস্মেটিক্স, হীদাক লাংথক অমদি সাপোন শাবদা শীজিন্নবগা লোয়ননা থোং থাকপদসু শীজিন্নরি। অহানবদা মেদিটরেনিয়ন লৈবাকশিং খক্তদা শীজিন্নরল্লবসু হৌজিক্তি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা শীজিন্নরে।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা গ্রীসনা ওলিভ ওইল শীজিন্নবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই। গ্রীসকী মীওই অমনা চাংচৎতা চহী খুদিংগী ওলিভ ওইল লিটর ২৪ রোম শীজিন্নৈ। স্পেন অমসুং ইটলিদা চহী খুদিংগী মথংশিংনা ওলিভ ওইল লিটর ১৫ অমদি লিটর ১৩ মীওই অমনা শীজিন্নরি। মসিনা মরম ওইরদুনা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মীওইশিং পুন্সি শাংই।

হৌখিবা চহী ৫০ রোম ওলিভ ওইলনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিংগী মরমদা থিজিন্দুনা লাকখি। ফার্মাকোলোজিকেল রিছার্চ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, চাং নাইনা ওলিভ ওইল শীজিন্নবা মীওইশিং থম্মোয়গী লায়না নাদে, ষ্ট্রোক তৌহন্দে, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দে অমসুং ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোলগী চাং হন্থহল্লি। ট্রাইগ্লাইসরাইদগী চাংসু নেমহল্লি।

চাং নাইনা ওলিভ ওইল চারবদি ইনফ্লেমেসন হন্থহনবগা লোয়ননা এন্দোথেলিয়ল দিসফঙ্কসন (ঈ উতোংগী মনুং থংবা শরুক্তা শোক্লকপা), থ্রোম্বোসিস অমদি কার্বোহাইদ্রেট মেটাবোজিলমগী চাং হন্থহল্লি। ওলিভ ওইল চাবদগী ফংবা এথরোজেনিক ইফেক্টনা মরম ওইরদুনা মেদিটরে-নিয়নগী মীওইশিং থম্মোয়গী লায়না নাদুনা শিবগী চাং নেম্মী।

স্পেনদা লৈবা ওটোনোমস য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদ্রিদকী রিছার্চরশিংনা বৃটিশ মেদিকেল জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, ওলিভ ওইল চাং নাইনা চারবদি থম্মোয়গী লায়না নাহন্দে অমসুং মনুং মতম চাদনা শিগদবদগী ঙাকথোকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদ্রিদকী প্রোফেসার পিলার কেষ্টিলোন অমদি মহাক্কী কাঙবুনা মশাগী চহী ২৬ তগী ৬৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৪০,৭৫৭ তা চহী ১১ চঙনা থিজিনখি। ওলিভ ওইল শীজিন্নবা মীওইশিংদি থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক কা-হেন্না চারবসু থম্মোয়গী লায়না মায়োক্লদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখিবনি।

ফ্রান্সকী নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌থ এন্দ কেমিকেল রিছার্চনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ন্যুরোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা অয়াম্বা মতমদা ওলিভ ওইল শীজিন্নরবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪১ রোম হন্থরকই। জপানগী রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা ওলিভ ওইল চাবনা ফত্তবা কোলেষ্টরোলগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা অফবা কোলেষ্টরোল হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলকখি। ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি পূক্লিং ৱাখলগী লায়না কয়াসু ঙাকথোকই হায়রি।

'মীৎ উদবা মিলিয়ন ৩৬ কী মনুংদা চাদা ৫০ দি লায়েংলগা উহনবা য়াবা লাইওং ওইরি'

Shija Eye Care Foundation
Observes
WORLD SIGHT DAY
201

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা মীৎ উদবা মীশিং অসি মিলিয়ন ৩৬ রোমনি, মসিগী মনুংদা চাদা ৫০ দি লায়েংলগা মীৎ উহনবা ঙম্বা লায়ওংনা নাবা ওইরি হায়না শিজ আই ক্যেয়র ফাউন্দেসন লাঙ্গোলগী ওপথাল-মোলোজিষ্ট ডা. খুরাইজম নুর্নিকানা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

শিজ হোস্পিটালগী ওদিটো-রিয়মদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডা. নুর্নিকানা হায়খি, ৱর্ল্ড সাইট দেগা মরী লৈননা লেম্না মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখি। মহৈরোয় ৯০০ রোম লায়েংখি। শিজ আই ক্যেয়র ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা লায়েংবগী কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি। মাঙজৌননা ঙাকথোকপা য়াবা লায়না লাইওং কয়াসু য়াওরি। ঙাকথোকপা য়াবা লায়নাশিংগী মনুংদা ঙৌদোংসু অমনি। ৱর্ল্ড সাইট দে পাঙথোকপগী মরুওইবদি মীয়ামদা পাউজেল পীবনি।

মীৎতা নাবা লায়ওংশিং মতম চানা লায়েংলবদি তুংগী পুন্সিদা মীৎ উনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি। ঙৌদোংনচিংবা লায়ওংশিং অসি লায়েংলগা ফবা ঙম্মী হায়বসি খঙমিন্নবা তঙাযফদে। ঙৌদোং নারকপা মতমদা ডোক্তরগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংবা তঙাযফদে। ওপরেসন তৌরুরগা মীৎ উরোইদ্রা কিবদগী নৎত্রগা শেল লৈতবদগী লাক্তবা কয়া অমসু য়াওরিবনি।

কনাগুম্বা অমনা ঙৌদোংগী ওপরেসন তৌগে খল্লগদি শিজ আই ক্যেয়র ফাউন্দেসনদা লেম্না তৌবা য়ারে। মসিগী খুদোংচাবা অসি মীয়াম্না লৌবীয়ু। ফ্রি কমপ্রেহেন্সিব আই কেম্পসু থা খুদিংগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শিজ আই ক্যেয়র ফাউন্দেসনগী কো-ওর্দিনেটর টিঐচ দেনিস অমদি ডা. সীঐচ সর্দাসু শরুক য়াখি।

এ এম এস এস টি এ দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর স্কুল ষ্ট্যুদেন্টস ট্রান্সপোর্টর্স এসোসিয়েসন (এ এম এস এস টি এ) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম থা অসিগী ১৪ দা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা নহারোল শীন্থা কাঙলুপকী কম্যুনিটি হোলদা এম এম এস এস টি এ দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না এ এম এস এস টি এগী সেক্রেটরি জিমি তোংব্রমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জিমি তোংব্রমনা হায়খি, নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল ভেন পুম্নমক শিন্থা লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা ভেন সর্ভিস তৌরম্বশিংগী মফমদা হৈকৎ- লৈকৎ তমগনি। নুমিৎ অসিদা স্কুল ভেন সর্ভিস লেপকদবা মরম্না মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্তা এগজামগী রুটিন থম্বীগনু। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোকপা থৌরম ওইবনা স্কুল ভেনশিংনা নুমিৎ অসিদা সর্ভিস লেপ্পা মতমদা মমা-মপাশিংনা কোওপরেসন পীবীয়ু।

হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা ভেন সর্ভিস তৌরম্বা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াদুনা মপুং ফাহনবীয়ু। থা অসিগী ১৪ দা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা নহারোল শিন্থা কাঙলুপকী কম্যুনিটি হোলদা এ এম এস এস টি এ দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারি। থৌরম অসিদা স্কুল ভেন সর্ভিস তৌরিবশিংনা শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুমদা চঙলক্তুনা ফুরল্লে: রহমন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
পঞ্চায়ট মীখলগী ভোট মশীং লাউথোকপা মতুং থা অসিগী ১১ দা হৈত্রোইপোকপী খোঙনাংপালদা লৈবা রহমনগী য়ুমদা এম দি অজিজ সলামদ তাহির অমদি ননাও কৌবা মীওইশিংনা মীওই ১০০ রোমগা লোয়ননা চঙলক্লগা মীওই কয়া ফুরল্লে হায়না মরাল শীরি। গাড়ীসু থুগায়রল্লে হায়না মরাল শীবা ৱাফম এম দি রহমন মশানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, য়ুমদা চঙলক্লগা ফুরম্বা অদুদা য়ুমগী মীওই কয়া অশোক অপন নংলে। অরুবা ফিভমদা শোকপদগী মপান লমদা পুনবা হোৎনরি। অশোকপা খরা অমসু হৌজিক ফিভম লুনা লৈরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

সোসল সিক্যুরিটি স্কীম অনী ষ্টেট কেবিনেটনা এপ্রুব তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেঙবাং (সী এম এস টি) অমদি হকশেলগী তেঙবাং কৌবা সোসল সিক্যুরিটি স্কীম অনী ষ্টেট কেবিনেটনা এপ্রুব তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না চ্যেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটনা সোসল সিক্যুরিটি স্কীম অসি এপ্রুব তৌখিবনি। সী এম এস টিদা দিসএবিলিটিগী চাং য়েংলগা এল্লাউৱেন্স অমদি মেন্টেনেন্সকী গ্রান্ট পীবা, স্কীল ট্রেনিং ফঙলবশিংদা সেল্ফ ইমপ্লোয়মেন্ট লোন, সবসিদি/গ্রান্ট য়াওনা পীবা, দিসএবিলিটি মহৈরোয়শিংদা স্কোলরসিপ পীবা, দিফরেল্লি এবল্দ ওইরবা মীওইশিংদা ফ্রি ত্রেবেল কন্সেসন পীবা, য়ুম লৈত্রবা অহল ওইরবশিংদা মেন্টেনেন্স গ্রান্ট পীবা য়াওরি। হকশেলগী তেঙবাং (মণিপুর হেল্‌ঠ প্রোটেক্সন স্কীম) দা বি পি এল/লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনা হোস্পিটালদা লেম্না মেদিকেল ত্রিতমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীবা, চহী অমদা ইমুং অমদা লুপা লাখ অনী ফাওবগী মেদিকেল ত্রিটমেন্টগী খুদোংচাবা ফঙহনবা, কেন্সর, কিদনি দিজিজ, নিওনেটেল দিজিজ, ন্যুরোলোজিকেল কন্দিসন্নচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়না মখল কয়া লায়েংবদা স্কীম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা পীবা য়াওরি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রেস কোলোনি শাবগী লমগী প্রেমিয়ম থিবদা পার্সিএল একজেম্পসনগী এপ্রুব তৌরে। স্কুল মরি সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসনদা এফিলিয়েসন তৌবদা নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট ইস্যু তৌবদা অয়াবা পীরবা স্কুলশিং অদুদি ইম্ফাল ভেলি স্কুল, সিসু নিষ্ঠা নিকেটন, তোলচৌ-ইবেতোন মেমোরিয়েল একাদেমী অমদি বেথেল ইংলিস স্কুলনি।

মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট এজেন্সী (মিদা) গী রি-ষ্ট্রকচর তৌনবসু কেবিনেটনা লেপ্পরে। সেনিয়র মিনিষ্টর নৎত্রগা গভর্নমেন্ট ওফিসল অমবু গর্ভনিং বোদিগী চ্যেয়রমেন্ট ওইহন্নবসু লেপ্পরে। প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্টকী এক্স কেদর পোষ্ট অমা ক্রিএসন তৌনবসু এপ্রুব তৌরে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

দি এ এ শীজিন্নদুনা হেপটাইটিস সী লায়েংবগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
হেপটাইটিস সী লায়েংবদা ফিজিসিয়নশিংনা দাইরেক্ট এক্তিং এন্তি ভাইরেল (দি এ এ) গী মতেংনা লায়েংনবা শেম শাবগী থৌওং অমা কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পাৱরমেন্টগা দিরেক্তোরেট ওফ হেল্‌থ সর্ভিসেস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগা পুন্না শীন্দুনা ঙরাং হোটেল ক্লাসিক্তা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মেদিকেল ওফিসরশিংগী হেপটাইটিস সী স্ক্রীনিং, দাইগ্নোষ্টিক অমসুং ত্রিতমেন্টকী মরমদা পাঙথোকখিবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা হেপটাইটিস বি অমসুং সীবু অখন্নবা লায়েংনবগী মরমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা খন্নখি। অখন্নবা হেপটাইটিস সীবু অনৌবা হিদাক থাদুনা লায়েংবগী মওং দিরেক্ট এক্তিং এন্তি ভাইরেল হায়না খঙনরিবা অসিগী পাম্বৈনা অনাবা মীওইশিংবু চয়োল ১২ গী মনুংদা সাইদ ইফেক্ট লৈতনা লুপা লিশিং ২০ দগী তাবা শেনফমনা লায়েংবা ঙম্লে।

অসিগুম্বা মখলগী লায়েং অসি মখা তানা পাক শন্না শন্দোক্লবা কম্যুনিটি নেটৱার্ক ওফ ইম্পায়ৱরমেন্টনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং মরুওইনা চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদগী লাকপা মেদিকেল দোক্তরদা দি দি এ এগী লায়েং হেপটাইটিস সী লায়না লায়েংবদা করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেনিং পাঙথোক্লি।

অসিগুম্বা মখলগী ট্রেনিং মমাং চহীগী ওগষ্ট ২৮ দা ববিনা দাইগ্নোটিক্স, দিরেক্তোরেট ওফ হেল্‌থ সর্ভিসেসকা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। রিমসকী এসোসিয়েট প্রোফেসর অমসুং গেষ্ট্রোএন্তরোলোজিষ্ট ডা. করাম রোমিও অমসুং জেনিমসকী মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রো. ডা. কেঐচ লোকেশ্বরসু ট্রেনিং সেসন অদুদা রিসোর্ছপর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদগী লাকপা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল প্রাক্টিস্নর ২১ না ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। দি এ এগী থৌওং শীজিন্নদুনা হেপটাইটিস সী ভাইরস লায়েংবগী খ্বায়দগী নৌবা মখলগী মওং অদু ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা খঙহন্নবগী পান্দমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

পোষ্টেল ৱিক্কী মনুংচন্না থৌরমশিং পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্ট মণিপুর দিভিজন্না শীন্দুনা ঙসি নেসনল পোষ্টেল ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদা মোবাইল ফিলেটেলি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর পোষ্টেল দিভিজনগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৯ দগী নেসনল পোষ্টেল ৱিক্কী থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কানন দেবী মেমোরিয়েল স্কুল, সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মোবাইল ফিলেটেলিগী থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা পোষ্টেল দিভিজন ওফিস ইম্ফালগী মার্কেটিং ইগজিক্যুটিব টিঐচ গান্ধীনা ফিলেটেলি দেগী থৌরমগী মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি। ফিলেটেলি ব্যুরো ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস ইন-চার্জ চিঙাইকিম ৱাইফৈসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

থৌরমশিং অদুদা স্কুলশিং অদুগী মহৈরোয়শিং অমদি শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

নোর্থ ইষ্ট মহৈরোয়শিংগীদমক হিন্দি ঙাংদবা য়াহল্লু: মুংরৈশিং

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস):
নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোয়শিংগীদমক হিন্দি ঙাংদবা য়াহল্লু হায়না নোর্থ ইষ্ট ষ্ট্যুদেন্টস সোসাইটি দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভি এস মুংরৈশিংনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ভি এস মুংরৈশিংনা হায়খি, য়ুনিভর্সিটি অসিদা হিন্দি তমহন্নবা কন্না হোৎনরি। নোর্থ ইষ্টতগী লাকপা মহৈরোয়শিং হায়স্কুলদা হিন্দি তম্লক্তবা কয়া য়াওরি। নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোয়শিংগীদমক হিন্দি ঙাংদবা য়াহনফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নবা তঙাযফদে। অমগা অমগা সপোর্ট পীনদুনা মতেং পাঙনসি। চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমদি মীওই কয়ানসু মতেং পাঙবীয়ু। নোর্থ ইষ্ট ষ্ট্যুদেন্ট সোসাইটি দিল্লি য়ুনিভর্সিটি অসি কুমজা ২০১২ কী জুনদা লীংখৎখিবনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট নিপানগী চাউরবা এপেক্স বোদি অমনি। দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা বোদি অমনি। এপেক্স বোদি অসিদা কোলেজ ৫৬ রোমগী মহৈরোয়শিং য়াওরি। সোসাইটি অসিগী মরুওইবা পান্দমদি অমত্তা ওইনা পুন্দুনা পাঙ্গল লৈহনবা হায়বা অসিনি। ঐখোয়গী নাৎ অমদি ত্রেদিসন চাউখৎহন্নবা হোৎনবা অমদি ইচিন-ইনাও অমত্তা ওইবগী ফিভম উৎনবা হোৎনবা তঙাযফদে।

নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেলগী সিটসু মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙাযফদে। লায়রবা মহৈরোয়শিংগী মতেংসু পাঙদুনা মহৈ নীংথিনা তম্নবা হোৎনবদসু সোসাইটি অসিনা মতেং পাঙলি। হৌজিক্কী মতমদা শক-চু মান্নদবগী হন্থনা য়েংবা মীৎয়েংগী অৱাবা কয়া লৈরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবা তঙাযফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লম্বী শেমদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): মাইরেনবম লৈকায় য়ুথ ক্লব (এম এল ৱাই সী) গা নক্লনা লৈরিবা লম্বী, এস দি ও, হোস্পিটাল অমদি দেরি ফার্মনচিংবা তারিবা মরুওইবা লম্বী অসি ফিভম শোক্লে। থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মীৎয়েং চঙদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না এম এল ৱাই সীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেনিটেসন এন্দ ক্লিনলিনেস প্রোগ্রাম অমা মাইরেনবম লৈকায় য়ুথ ক্লব (এম এল ৱাই সী) মোইরাংনা কোনবা মফমশিংদা ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি নুপী লুপশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। এম এল ৱাই সীগা নক্লনা লৈরিবা লম্বী, এস দি সী, সব ত্রেজরি অমদি দেরি ফার্ম মোইরাং তাবা লম্বী অসি ফিভম চাদ্রে। এক্সিদেন্ট তোয়না থোকপা মফম ওইরে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি এম এল এনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। করিগুম্বা মীৎয়েং চঙলক্তবা তারবদি থা অসিগী ১৬ তগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, নুপী লুপ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।